# মাউদগী দেং ফাওবগী মতমদা চাইনাগা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা লৈনবা মরীদা লাকখিবা অহোংবশিং -৬

**- পোৎশংবম হকিম খাবা -**

বৈজীংনা "নীংখা তম্বা অমসুং ইশানা ইশাগী লাইবক লেপচবা" হায়বা ফোরেন পোলিসি অমা চৎনবা হৌখিবা, লোয়ননা কুমজা ১৯৮৩গী মতুংদা য়ু এস - সোভিএটকী মরীদা নৌহৌননা উংখৎনরকপা হায়রিবা ফীভমশিং অসিনা ৱাশিংটনবু নুংনাংবা পোকহল্লকপদগী, প্রসিদেন্ট রিগান অমসুং আমেরিকাগী অতৈ পোলিসি শেম্বশিং অমদি মিলিটরিগী প্লান্নরশিংবু চাইনাগা 'মীচঙ ওইমিন্নব'গী ৱাফম অসি নৌহৌননা খন্নবা হৌহনখি। প্রসিদেন্ট রিগাননা কুমজা ১৯৮৪দা চাইনাগী খোঙচৎ অমা পাঙথোক্তুনা, য়ু এস-চাইনা উংখৎনরম্বা অদুগী মহুত্তা লৈবাক অনী অসি ইকনোমিক, দিপ্লোমেটিক অমসুং ষ্ট্রেটেজিক কোওপরেশন য়ৌনা নকশিন্না লোয়নবা হৌখি।

দেং অমসুং চাইনিজ লিদরশিপ্না কুমজা ১৯৮০দা লৈবাক মনুংগী ওইবা অচৌবা শীংনবা কয়ামরুম মায়োক্নখি। চাইনাগী রিফোর্ম অমসুং মপানগা শম্নবা হায়বা থৌশিল অসি, মপূং ওইনা শেন্মীৎলোন চাওখৎহন্নবা মায়কৈদা থবক পায়খৎপা হৌখিবা মতম অদুগী পোলিটিকল সিষ্টম চাইনিজ কম্যুনিষ্ট পার্টিনা খুদুম চন্দুনা, পার্টি অমখক্কী সিষ্টম ওইনা লৈরকপা ফীভম অদু কায়হন্দনা থমখি। মাউ মতুংগী ঙল্লিঙৈ চহীশিং অদুদা মীয়াম অমসুং পার্টিগী মীওইশিংগী মরক্তগী চাইনাগী পোলিটিকল সিষ্টম অমসুং ইন্সটিট্যুশনশিংবু মতমগা চূনবা মওংদা শেমদোক্লবগীদমক্তা "মঙাশুবা মোদর্নাইজেশন" অমা পাঙথোক্লবা হোৎনসি হায়না চপ মান্নবা অকনবা খোঞ্জেল অমদা লাউনরকখি। পার্টি মনুংগী ওইবা মশক নাইবা 'থিংকর' খরনসু 'মীওইবগী মচৎ চেনবা সোসিএলিজম' অমা লৈহন্নবা তকশিল্লকখি। অদুবু দেংগী পূক্নীংদা, মসিনা চাইনাবু নোংচুপলোমদা চৎনরিবা দেমোক্রেসিগী 'মতৌ তম্বা' ওইনা উহল্লকপা য়াই হায়বা নুংনাংবা অমা পোকখি। মরম অসিনা মহাক্না, ইকনোমিবু রিফোর্ম তৌনবা অমসুং মপানগা শম্নবা হোৎনবা তারবসু পার্টি অমদি মরৈপাক অনীমক্কী মফমদা, শেঞ্জাউ পায়বশিংনা মনীং-মখা তম্বা হায়বদি বুর্জুৱা লিবরেলাইজেশনগী মায়োক্তা লাম্থেংননবা অমসুং 'শেংলবা কাঙলোন মরি' (সোসিএলিষ্টকী লম্বেল, মীচম-মীয়াম্না অসুপ্পা মপু ওইবা, লোয়ননা সী সী পি, মার্ক্সিজম-লেনিনিজম অমসুং মাউগী ৱাখল্লোন) ঙাক্না চৎনবা হন্না হন্না আপীল তৌখি। পূন্নমক অসিদা, মাউগী রেভল্যুশন অমসুং দেংনা রেভল্যুশনগী লম্বেল থাদোক্লবা হোৎনবগী থৌওং অনী অসি পূন্না চত্থদুনা, দেংগী হিংলিঙৈ মতম অমসুং মহাক্কী মতুংদা সী সী পিনা ঙাক্না চৎকদবা পোলিটিক্সকী লুরবা অনৌবা চৎনরোল অমা শেমগৎলকপা উই।

কুমজা ১৯৮৯দা মালেমগী ওইবা চাইনাগী থাক অমসুং চাইনিজ-আমেরিকান অনী লৈনবা মরীদা অনৌবা মায়ওন অমা পীবা, ঙক্লবা থৌদোক অমা থোকখি। মীয়াম্না পাম্ন রক্ত্রবা অরিবা মতমগী পোলিটিকল কলচর অমসুং রিফোর্মগী থৌওং কয়ানা খোঙজেল য়াঙনা পুরকপা শেন্মীৎলোন অমদি খুন্নাইগী অহোংবা মশক অনী অসিগী মরক্তা য়াম্না হকচিন্না উংখৎনরক্তুনা চাইনা-লৈঙাক্না মশাগী খুন্নাইগা অকনবা মওংদা খূৎ থোক্লবগী ফীভম অমদা লাকখি। হায়রিবা উংখৎনবা অসি কুমজা ১৯৮৯গী মে-জুন থা অনী অসিদা ট্যানানমেন স্কৱারদা মৈগী চীং পোকখায়বগুম পোকখায়রক্তুনা মীয়ামগী অকনবা খোঙজং অমা চঙশিল্লকপদগী, বৈজীংদা লৈরিবা সী সী পিগী লিদরশিপ্না খোঙজং অদু লান্মী শীজিন্নদুনা নমথনবা হোৎনবদা ঈগী লৌখোং চেনখি।

অদুগুম্বা ট্যানানমেনদা থোকখিবা, তমথীরবা মীয়াম হাৎপগী থৌদোক অদুনা মালেম পূম্বা অসিবু মিপাইবা পোকহনখিবতা নত্তনা, কুমজা ১৯৮৯ অসি মালেমগী পুৱারীদা কাউঙল্লরোইদবা থৌদোক পরিং অমা থোকখিবা চহী ওইখি। চহী অসিগী নবেম্বর থাদা, কুমজা ৩০ চূপ্না নোংপোক অমসুং নোংচুপ জর্মনিবু তোঙান্না খায়দোক্তুনা থম্লকপা বর্লিন ৱাল অসি থুগাইখি। দিসেম্বর থাদা রোমানিয়াগী কম্যুনিষ্ট দিক্টেটর সিশেসক্যু অমসুং মহাক্কী লোয়নবী অনীবু মখোয়না লৈবাক অসিগী কোনুং বুচারেষ্টতা হৌরকপা মীয়ামগী ঈহৌ অমা নমথনবগীদমক্তা লান্মী শীজিন্ননবা হোৎনবদা মায় পাক্তবদগী হাৎখি। চহী অনীগী মতুংদা নোংপোক য়ুরোপতা সোভিএট ব্লোক অমসুং সোভিএট য়ুনিয়ন কায়খি। মদুগী মতুংদা মালেমগী কোল্ড ৱার লোইশিনখি।

চাইনানা কুমজা ১৯৮৯ অমসুং কোল্ড-ৱারগী ঈথক-ঈরৈশিং অদু ঙাকথোকপা ঙমখি। মসিগী মরু ওইবা মরমদি, মমাঙদা পনখিবগুম্না, লৈবাক অসিনা কুমজা ১৯৭০গী মতম অদুদগী হৌনা কোল্ড-ৱারগী লানফম থাদোকখিবা অসিনি। অতোপ্পা মরম অমনা, সোভিএট য়ুনিয়ন কায়রকপা মতমদা দেংনা মদুগা মরী লৈনবা ক্রাইসিস অদুবু লাকশিন্নবা হোৎনবগী মওং অসি পনবা য়াই।

ট্যানানমেনগী থৌদোক অদুগা মরী লৈননা দেংনা কোল্ড-ৱার মতুংগী মালেমদা চাইনা মশাগী ফিরেপ করি ওইগনি, করম্বা শক্লোন লৌগনি অমসুং করি থাক্তা লৈগনি হায়রিবশিং অসিগী মশক তাকপা ৱারোল অমা পুথোকখি। মসিবু তুংদা মহাক্কী "২৪ ক্যারেক্টর ষ্টেটমেন্ট" হায়না খঙনখি। ৱারোল অসিদা পল্লিবদি "চেকশিন্না য়েংউ, ঐখোয়গী খোঙফম চেৎহল্লু, হীরম খূদীংমক পূক্নীং ঈংনা থেংনৌ, ঐখোয়গী ইতীক-ইঙম লোৎশিন্দুনা থম্মু অমসুং খুদোং চাগদবা তাঞ্জা ঙাইয়ু, ইচম চম্না লৈবা মালহল্লু অমসুং কৈদৌনুংদা নশানা নশাবু লুচিংবনি হায়জগনু" অসিনি।

ৱারোল অসি ইচম চম্না লৌবগী মহুত্তা লাল্লোং মখল অমনি হায়বা য়াই। মসিদা, চাইনানা রিফোর্ম তৌবা অমসুং মপানগা শম্নবগী প্রোজেক্ট অসি মখা তানা চত্থগদবনি অমসুং আমেরিকানা মালেমদা খ্বাইদগী হেন্না মপাঙ্গল কনবা লৈবাক অমা ওইনা লৈবগী ফীভম অসি মহুৎ শিনবদি লায়রদনা, শীংনবা তৌরোইদবনি হায়বা দেংগী ৱাখল অমসুং ফিরেপ অমা উৎলি। কুমজা ১৯৯২গী অঙনবা মতম, দেংনা মশাগী চহী ৮৮ শুরকপদা খা মায়কৈগী অতোপ্পা খোঙচৎ অমা পাঙথোকখি। খোঙচৎ অদুদা মহাক্না ফোঙদোকখিবা ৱারোলশিংদা, রিফোর্ম তৌবগী থবকশিং অসি হেন্না কুপশিন্না পাঙথোকহন্নীংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখি। "কৈথেল হায়বসি শেন্মীৎলোন চাওখৎহন্নবা অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈনি অমসুং মসিগা সোসিএলিজমগা করিগুম্বা হীরম অমত্তদা চূনদবা তৌদে" হায়না মহাক্না হায়খি। সোসিএলিজমগী অশেংবা ৱাহন্থোক্তি "পোৎথোক হেন্না পুথোকপা" হায়বসিনা ওইফম থোকই হায়নসু মহাক্না মখা তাখি। দেংগা পার্টিগী মেম্বর পূন্নমক্না ৱারী-ৱাতাই শানবগী মরু ওইবা ৱাফমশিংনা শেম্বা, কুমজা ১৯৯২গী দোক্যুমেন্ট নম্বর-২ হায়বা অমা সী সী পিগী লিদরশিপ্না চহী অসিগী ফেব্রুৱারী ২৮দা চাইথোকখি।

মতাং অসিদগী রিফোর্ম তৌবা অমসুং মপানগা শম্নবগী প্রোজেক্ট অসি হান্নদগী হেন্না খোঙজেল য়াঙশিল্লকখি। প্রোজেক্ট অসিনা, কুমজা ১৯৮৯ মমাঙগী রিফোর্ম মওং অদুগা মান্নদা, শেন্মীৎলোন চাওখৎহন্নবা হোৎনবদা মরু ওইবা মীৎয়েং থমখি অমসুং মসিগী রিফোর্ম-প্রোগ্রামদা পার্টি অমখক্না লৈঙাকপা চাইনাগী পোলিটিকল ষ্ট্রকচর অমদি ইন্সটিট্যুশনশিংবু শেমদোকপগী ৱাফম অসি য়াওহনখিদে। অদুম ওইনমক, কুমজা ১৯৮৯ মমাঙগী মতম অদুগা চাংদম্নবদা, মালেমগী কেপিটেলিজম্না খুদুম চনবা ৱর্ল্ড মার্কেটতা পোত্থোক পুথোকপা অমসুং হৈ-শিংবা হেনগৎহন্নবা মরু ওইবা য়ূম্ফম অমা ওইনা হেন্না থৌনা ফনা চঙশিনখি। কুমজা ১৯৯২গী ওক্টোবরদা পাঙথোকপা সী সী পিগী তরামরিশুবা কোংগ্রেসনা হৌনবী মতুংইন্না "সোসলিষ্ট মার্কেট ইকোনোমী" অমগী ৱাখল্লোন্দা অয়াবা পীখি। মদুগী মতুংদগী চাইনানা কুমজা ১৯৯০গী পরীংদা লেপ্পা লৈতনা শেন্মীৎলোন চাওখৎলকখি অমসুং খুন্নাই অমদি মনাৎকী শক্তমদা য়াম্না চাউবা অহোংবা কয়ামরুম লাকখিবগা লোয়ননা কুমজা ২০০১দা ৱর্ল্ড ত্রেদ ওর্গনাইজেশনদা য়াওরবা মতুংদগীদি ২১শুবা চহীচাগী অহানবা চহী কুন অদুগী মনুংদা মখা তানা অঙকপা মওং অমদা শেল-থুমগী ফীভম ফগৎলকখি।

মালেমগী কোল্ড ৱার লোইশিনখিবা মতম অসি চহী কুন্থ্রা শুরক্লে। পিপল'স রিপব্লিক অসিনা মসিগী হুম্ফুতরাশুবা কুমওন-থৌরম অদু কুমজা ১৯১৯গী ওক্টোবর থাদা পাঙথোকখি। রিফোর্ম তৌবা অমসুং মপানগা শম্নবগী প্রোজেক্ট পায়খৎখিবা চহী নিফুগী মতুংদা চাইনা অসি ঙসিদি অতোপ্পা লুরবা ফীভম অমগা অমুক মায়োক্নরক্লে। চাইনিজ-আমেরিকান অনী লৈনরিবা মরীশিং অসিদা য়াম্না চাউনা চিংখাইনরকপগী মশক অমা উবা ফংনরক্লি।

রিফোর্ম তৌবা অমসুং মপানগা শম্নরকপা মতম অদুদা চাইনাগী শেন্মীৎলোন অসি অঙকপা মওং অমদা ফগৎলকখি। কুমজা ২০১০দা চাইনানা জপানবু নক্মত্তুনা মালেমগী অনীশুবা খ্বাইদগী চাউবা ইকনোমি ওইখি। চাইনিজ ইকনোমি অসি শুপ্নগী তেল্লবা চহী খরদংগী মনুংদা জপানদগী শরুক অনী হেনখি। মাওইষ্ট মতমগী তমথীরবা পোলিটিকলগী শক্তমশিং অদু মাঙখিবা কুইরে অমসুং মদু অমুক হল্লক্কনি হায়বগী থাজবসু পোক্নদ্রে। চাইনিজ খুন্নাই অসি হান্নদগী হেন্না মতীক-মঙম চেল্লে, শক্লোল য়াল্লে অমসুং অমত্তা ওইবগী অকনবা ঈহুল অমা চেল্লে।

মালেমগী ওইবা মীৎয়েংদা চাইনা অমসুং লৈবাক অসিগী শেন্মীৎলোননা মালেমগী কৈথেল অমদি মীয়ামগী মরক্তা হেন্না পাক-শন্না চঙশিল্লক্তুনা লুরবা তানফম কয়াদা অফবা অমদি কান্নরবা শক্লোন কয়া লৌখি। খুদম ওইনা ঐখোয়না চাইনা অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা পূন্না খূৎশম্নদুনা কুমজা ১৯৯৭-১৯৯৮দা এসিয়াদা থোকখিবা শেল-থুমগী ক্রাইসিস লোইশিন্নবা হোৎনখিবা অদু নীংশিংবা য়াই। কুমজা ২০০৮দা মালেম পূম্বগী ওইনা থোকখিবা শেল-থুমগী ক্রাইসিস অদুনা পীরকপা চৈফুশিং অদু লাকশিন্নবা হোৎনবদসু চাইনানা অচৌবা শক্লোন অমা লৌখি। ৯/১১গী থৌদোক অদুগা ঈরোয়ননা মকা ফোংলকখিবা গ্লোবল টেররিজমগী ঈথক-ঈরৈ অদু বৈজীং অমসুং ৱাশীংটন অনীনা মশা-মশাগী পোলিটিকল অমদি ষ্ট্রেটেজিক ওইবা খেন্নবা কয়া থাদোক্তুনা নমথমিন্নখি। পূন্নমক অসি চাইনানা, নোংম-নোংমগী মরী লৈনবা হেনগৎলক্লিবা মালেমগী লৈবাকশিংগী মরক্তা অচৌবা শক্লোন অমা লৌরকপগী ময়েক লারবা খুদম অমনি হায়বা য়াই।

ঙসিগী চাইনা অসি ফর্ষ্ট ৱর্ল্ড ৱারগী মতমদা লৈরম্বা ৱিলহেম ২শুবগী জর্মনি অমসুং সেকেন্দ ৱর্ল্ড ৱার মনুংগী হিটলরগী জর্মনি, মুশোলিনিগী ইটলি, লান্মীনা পানবা জপান অমসুং কোল্ড ৱার মতমগী সোভিএট য়ুনিয়ন হায়রিবা লৈবাকশিং অসিগী মতৌদু নত্তে। হৌজিক চাইনাগা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা মরী লৈনবগী মওং অসিগা, কোল্ড ৱার মনুংদা সোভিএট-আমেরিকা লৈনবা মরী অদুগা য়াম্না খেন্নে হায়না চাইনাগী পোলিসি শেম্বশিংনা ফোঙদোক্নরি। ●

(মখা চত্থজরকখিগনি)

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১২৫গী ৱাহং

১) "মহাক্না হায়রম্মী" হায়বা ৱারীমচা অসি অতোপ্পা লোলদগী মণিপুরীদা হন্দোক্লবা ৱারীমচাগী লাইরিক্তা য়াওবা ৱারীমচা অমনি।
ৱারীমচা অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে? ত্রান্সলেটর অসি কনানো?

২) "নঙবু ঙাইবদা অহীংসে হৌখরে
নোংমদোল থাজসু তাখরে
নঙবু থিবদা তাংলৌসে থেঙখরে
নোংমদোল থৱান মুৎখরে।"

ঈশৈ শৈরেং মতেক অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং অমদি অইবসিগী মমিং ইয়ু।

৩) "গীতাগী পাউজেল" (২০০৮) হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি কনানা ইবগে?

৪) "ঐহাক লমকোইবা পামজৈ। মালেমগী মফম কয়াদা য়ৌনীংই।"
ৱাহৈ পরেং অসি নীংশিং ৱারী অমগী ৱাহৌদোক্তা অইবনা ফোঙদোকপনি। অইবা অসি কনানো?

৫) "মরি তৎলবা বীনা" হায়বা লাইরিক অসিগী অইবগী মমিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ-১২৪গী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিদি*

১) মাইস্নাম বুদ্ধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (২)

***(হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ- ১২৪গী অচুম্বা পাউখুম শুনা য়াওদবনা ক্বীজ অসিগী ওইনা মনা থমজদ্রে)***

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১২৪গী পাউখুম

১) "লৈমন চল্লবী গুলাপ" হায়বা ৱারীমচা অসি ৱারীমচাগী লাইরিক অমদগী লৌথোরকপনি। ৱারীমচা অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে? অইবা অসি কনানো? **:- ৱারীমচা য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং - সনরিক পরেং, অইবা - রাজকুমারী নয়নস্না দেবী, ফর্ষ্ট প্রীন্ট :** ২০২২।

২) "বিলাশিনি" (১৯৭৮) হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবগে? **:- অইবা - য়াইস্কুল, লাইরিক্কী মখল - উপন্যাস, অনীশুবা ফোঙবা - ১৯৭৮।**

৩) "সনা পেতু পিয়াইনো" হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি মণিপুরগী মপানগী অইবা অমগী লাইরিক্নি। অইবগী মমিং হায়য়ু। **:- অইবা - ওয়াংখেম (ৱাংখেম) বীরমঙ্গল, লাইরিক্কী মখল - শৈরেংগী লাইরিক, অহানবা ফোঙবা - আগরটলা লাইরিক মেলা - ১৯৯৫।**

৪) "শুক্না মল্লি; কোয়না য়েংখিবদা, অথাপ্পদা অহাংবদা তন্দন অমফাওবা পাইদে। ... শমিন মচেৎ অমত্তা ফংদে।"
ৱাহৈ পরেং অসি অতোপ্পা লোলদগী মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক অমগী অহৌবদা য়াওবা ৱাহৈ পরেংনি। মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক অসিগী মমিং ইয়ু। ত্রান্সলেটর অসি কনানো? **:- লাইরিক্কী মমিং - চোমাগী দমরু, লাইরিক্কী মখল - উপন্যাস, মণিপুরীদা হন্দোকপা - নোংমাইথেম কিরনকুমার সিংহ, অহানবা ফোঙবা -** ২০২৫।

৫) "অৱাবৈ হৌরকফমদি নুংঙাইরুবনি
পিরাংগী হৌরকফম্না নুংশিরুবনি
কায়নবৈ হৌরকফম্না থাজরুবনি
নীংবা কায়বৈ হৌরকফম্না নীংশিংলুবননি।"

ঈশৈ শৈরেং মতেক অসি য়াওরিবা লাইরিক অসিগী মমিং করিনো? লাইরিক অসি কনানা ইবগে? **:- লাইরিক্কী মমিং - মেরা থাগী শনারৈ, অইবা - সোইবম একেন্দ্র, ঈশৈগী মমিং - অৱাবৈ হৌরকফমদি, অহানবা ফোঙবা : দিসেম্বর ২০১৪।**

# লাইনীংহল নাওরিয়া ফুলো (ফুন্দ্রে) অমসুং মহাক্না মীতৈগীদমক লৌরম্বা থৌদাং - (৯)

**- লুক্রাম মধুকুমার মীতৈ -**

(হান্নগী মখা চত্থজরকপা...)

নাপী-শিংবী, উপাল-ৱাপাল, শা-ঙা, ককচেং, হঙোই পূন্নমক সনামহীনা শেল্লকপা মতমদা মনাও পাখঙবনা হেক হেক থুগায়। সনামহীনা মপাবুং লাইনিংথৌ সোরারেন শিদবগী মফমদা ৱাকৎপা মতমদা লাইনিংথৌ শিদবনা মশাদগী নীংথিজরবী নুপীমচা অমা পুথোক্তুনা পাখঙবগা শানহনখি, মতম অদুদা সনামহীনা অচৎ-চৎতা পূন্নমক শেমখি। লাইনিংথৌ শিদবগী মমি য়েংদুনা তাইবঙ মী হায়বসি সনামহীনা শেমখি হায়দুনা তাইবঙ মী হায়না হৌজিক ফাওবা খঙনরিবনি। সনামহীনা পূন্নমক শেল্লকপা মতমদনা হঙোইনা অহানবা শাখি হায়দুনা হঙোইনা কুম তল্লিবসিনি। ঙামুনা অনীশুবদা শাখিবনা তাইবঙ মী য়োকপা ওইসনু হায়দুনা য়াথং তৌখিবা মরম্না হৌজিক ফাওবসিদা ঙামু অসিনা অনা-অয়েক লাইকোক্নবা মীতমঙা ওইনরি। মরম অমদগী অতোনবা পাখঙবনা মপাবুং লাইনিংথৌ শিদবগী ফম্বাল ফংখি, লৈবাক ঙাকখি। ময়াম্বুং সনামহীনা য়ূমথোঙ খুদিংগী নিংথৌ ওইখি। ইবুধৌ পাখঙবনা য়েক তরেৎ, সলাই তরেৎ পোকখি। (১) খুমন (২) মঙাং (৩) লুৱাং (৪) অঙোম (৫) মোইরাং (৬) খাঙানবা (৭) সরাং লৈশাংথেম তরেৎ অসিবু য়েক তরেৎ কৌই, তুবী লাইরেন্নচিংবা তরেৎনা সলাই তরেৎ হায়না কৌই।

য়েক তরেৎ অসিদগী মহাক মহাক্কী থৌরম মতুং ইন্দুনা শাগৈ পূন্নমক শেমখি। য়েক তরেৎ অসিদগী শন্দোরক্তুনা হৌজিক্কী মতমদা মীতৈ ঐখোয়না য়েক খাইনা পাল্লিবসিনি, লৈরম্বা পূন্নমকসু য়েক তরেৎকী মনুংদা, মহাক মহাক্না পাম্বা য়েক্তা তিনখি। মীতৈনা হৌরকপবু অসুম্না হৌরকপনি। মীতৈবু লাইনিংথৌ সোরারেনগী মচা মশুনি খঙনরিবনি। লাইনিংথৌ সোরারেননা কোন্থৌজম তম্ফা লাইরেম্বী লৌরমদুনা লাইনিংথৌ খোরিফাবা পোকখি। অনীমক্কী খুভম লাইফম্বু মীতৈ লৈবাক্কী শন্দোং পাংবদা হৌজিক ফাওবা লৈরি। লাইরেম্বী লিশীং অমসু লাইনিংথৌ সোরারেননা লৌরম্মী হায়রি। অসিনদি মীতৈবু লাইনিংথৌ সোরারেনগী চাদা নাওদানি হায়বসি তশেং তশেংনা খঙলবা ৱানি। লৈশেম নুংশেমদগী হৌদুনা মীতৈগী শক্তম মিৎলৈ-নারৈবু মুৎকদবগী মরম লৈতে। মরম অসিনা শক-চু মান্নদবা, লোল্লি তিন্নদবা মীরৈবাক্কী মীশিং অদুগী মপা-মপু হৌফমগী ৱারী অদুবু মীতৈ ঐখোয়গী ইপা-ইপু হৌভম ৱারীনি করম্নবু হায়রসিগে। মথক্তা হায়খ্রিবা সনামহী, পাখঙবগী ৱারীসিনা মীতৈ ওইরকপগী ৱারী ইশেং শেংবনি। মীতৈ ইপা ইপুশিংনা সনামহী, পাখঙবা হায়বসি ওন্থোক্না লুনা তৌরল্লিবনি।

হৌজিক্কী মতমদা মওং তানা ইরাৎনদ্রবসু মীতৈ ঐখোয়গী মনুংদা অপোকপা, সনামহী, পাখঙবা, লৈমরেল শিদবী অসুম্না হায়নরি। খুভম য়াদুনা লাৎনরি, ঈরাৎনরি। লৈজৈ হায়বতা মঙাইরে। শীজিন্নদবা থাঙগুমখ্রে। মীতৈদি মীঙোন্দা তাংজদ্রবদি হিংবা ঙমদবা হায়বদু থোক্লে, মীতৈদি লাইরিকসু লৈতে, লাইনীংসু লৈতে। তাংজবা হায়বসিদি ওন্থোক্না তোল্লি হায়দুনা কনাগুম্বা ইবুংঙো ইবেন্মশিংনা ঈশৈ ওইনা শক্তুনা অৱা পূক্নিং পোত্থাখি, পোত্থানৈ। ... তাংজরুবা হায়বসি ঐনদি লুনা তৌজৈ, মীনদি থৌশাবীদবা অমতং থোকই। ইপা ইপুনা লাইনি হায়দুনা ঈরাৎনি, চাকথানি তৌরম্বা পূন্নমক্তু হৌজিক্তি উখিদ্রে। ইরৈবু লৈখিদ্রে হায়রবসু হেঞ্জিনবা ৱাহৈ নৎত্রে। লাইনি হায়দুনা তৌরম্বদু ঈশিং মনুংদা লৈখিবদৌনা তৌখ্রে। মতম অমদা মতিক ময়াই কন্না লৈরল্লিবা, ইপা ইপুশিংনা মখোয়দা থৌনিজরগা, খুদক্তা অফ-নুংঙাই য়াইফবা পীরল্লিবা লাইশিংদো হৌজিক্কী মতমসিদা ঈশিং মনুংদা ঈরাকতুনা লৈখ্রবা নুঙগুমখ্রে। ইরুপ্তুনা থিরুবা থোক্লে হায়না নীংজৈ। অদুগুম্বা লাইশিং অদুগা হৌজিক্কী মতমদা ঈরাৎনরিবা নীংনরিবা লাইশিং অসিগা করি করি থোক্লবা য়েংবা মতাং য়ৌরে ইবুংঙো-ইবেন্মশিং।

মীতৈ মহৌশাদগী হৌনা মখোয়গী পূন্সিগীদমক কনাদসু নোঞ্জরক্তবা, কনাগীসু মখা পোল্লক্তবা ইফূরুপনি। মীরৈবাক্কী হিন্দু লীচৎ (ধর্ম্ম) চংলকপা অরাইবা ওইখিদে। পাম্বৈ কয়াগী লাংলৌ থিখিবা অশেংবনি। লাংলৌশিংগী মরক্তা চীঞ্জাক্কী মায়কৈদগী হীদাক চাইবা হৌরকই। হকচাং অমসুং পূক্নিংগী থৌনা শোন্দুনা লৈরবদি শেল-থুমগী ফীভম নোংমা নোংমগী হন্থরকপা তাবনি। শেল-থুমগী ফীভম ফরম্বা মীতৈশিংগী পূন্সিগী ৱাখল থনুং লাইমিৎ পাংদুনা ইপুরোইবু ফংনবা লম্বী কয়াদা চৎতুনা হকথেংননা চাং য়েংবনা পূন্সি ওইরম্মী। অসুম্না লেল্লম্বা পূন্সি, পূন্নমকপু চপ মান্ননা য়েংবা ঙম্বা মিৎয়েং অদু হিন্দু মুসলমানগী লান্দুদা লাকপা হিন্দুশিংনা মীতৈ লৈবাক য়ৌরকপদা পূন্নমক হোংখ্রে। মীতৈগী শেল-থুমগী ফীভম অকিবগী মশক ওইবা শকফম-মশা-মশানা হিংবদা ৱারবা মতম অমা হায়বদু ওইখি।

পূক্নিংগী থৌনা অমদি হকচাং অসি চীঞ্জাক্কী মখা পোল্লি। মতাং অসিদা অহলনা হায়রম্মী - "মীতৈগী মথক্তা মনিং তৌনা পানগে হায়দুনা মীতৈগী পাঙ্গল শোন্থহন্নবা হীদাক মচল কূপ্না থিখি, চীঞ্জাক কক্লবা হায়দুনা মীতৈবু নোংখ্রং ঈরুপহন্দুনা ৱাশকহনখি"। "মীতৈ হায়বসি লায়রহন্দ্রবদি... তৌনীংবদা তৌরনি হায়দুনা লাইদা য়াম্না কৎলু, মহয় য়াম্না চাউনা ফংগনি, শিরগা লাইরৈবাক্তা মপৈ মপৈ লৈরমগনি, নখোয়গী য়ূমলাইদো লাইমাংনি...।" অসিগুম্বা লাংলৌ ময়াম অসিনা ঐখোয় মীতৈ অসি অমুক লৈখা তাখিবনি। হৌজিক্তি ঐখোয় অফবা চীঞ্জাক চাদুনা কন্না শু-নোমদুনা হেন্না নুংঙাইবা মীতৈ খুন্নাই অমা শেল্লসি।

কনাগুম্বা মণিপুরীশিংনা গৌরাঙ্গবু অবতারনি (লাইপোক) হায়বসিদা য়াম্না হরাওই। অদুগা নাওরিয়া ফুলোবু লাইপোকনি হায়বদা শুগৎলি। মুসলমাননা হিন্দুশিংদা নৈখিবগা, হিন্দুশিংনা মীতৈদা নৈখিবগা অনী অসি চাংদম্নবদদি হিন্দুশিংনা মীতৈদা নৈখিবনা য়াম্না হেল্লি। মুসলমানশিংনা হিন্দুশিংবু থাঙগী মতেংনা কিহন্দুনা মুসলমান ওইহল্লবসু মখোয়গী বেদ পুরানশিংবুদি মাঙহনখিদে। হিন্দুশিংনা অমদি নিংথৌ চৈরাক্না মীতৈশিংবু ফূদুনা, হাৎতুনা কিহল্লগা হিন্দু ওইহনবদা নত্তনা মীতৈগী পারী-পুরী খোঙ্গুল মূত্থৎনবা, লাইনীং লম্বী মফম খঙখিদনবা, মীতৈগী ৱারী লাইরিক, কংলৈরোল পুয়া পূন্নমক নমদুনা মৈ থাদোকখ্রবনি। হিন্দুদগী ওনখিবা মুসলমানশিংনা মখোয় হিন্দুদগী ওল্লকপনি হায়বসি কাউনদ্রি। গৌরাঙ্গ মশামক অৱাংবা ক্লাসকী হিন্দু ব্রক্ষ্মন ওইদুনা লৈরি। মহাক্না থেংনখিবা ঙাওরবা জোগাই মধাইদনি। নাওরিয়া ফুলো মশামক হিন্দুদা জাৎ তারুরে। হিন্দু ওনখ্রবা মণিপুরী হিন্দু পূন্নমক মশাবু মীতৈদগী ওল্লকপনি হায়বসি কাউথোকখ্রে। "নখোয় মীতৈনি ইমালোলনা লাই নীংলসি" হায়রুবদা নুপী অঙাং, লৌরি-শীংজাকা শোক্লুবদগী হেন্না শাওখ্রবনি। ৱাফম অসিদি অপোকপা মরুপ, মীতৈ মরুপকী ৱাহৈনা লেংদনা চুক ওইরবনি। নাওরিয়া ফুলোনা থেংনখিবদি জোগাই মাধাই ময়াম অমনি। অদু ওইরবদি মশামক হিন্দু ব্রক্ষ্মণ ওইদুনা লৈরিবা গৌরাঙ্গনা লেঙদনা লৈরিবা বেদ পুরান পায়দুনা, হিন্দুদগী ওল্লকপা মুসলমাননি হায়বা কাউদ্রিবা মুসলমানশিংনা হিন্দুদা অমুক ওলহল্লকপগা - মশামক হিন্দুদা জাৎ তারুরবা লাইনিংহল নাওরিয়া ফুলোনা মৈ থাদোক্তুনা মাঙহনখ্রবা কংলৈরোল, পুয়া অমুক কোইনা শাৎনা থিজিল্লুরগা মীতৈদগী ওল্লকপা মণিপুরী হিন্দুনি হায়বা নীংশিংবা থোক্তবমখৈ কাউরুরবা হিন্দু মণিপুরীশিংবু মীতৈ ওলহনবগা অনী অসি করম্বনা হেন্না লুবা থৌদাংনো হায়বদু ইবুংঙো ইবেন্মশিং অমদি অপাবশিংনা নৈনবীয়ু।

ধর্ম্ম হায়বসি মীতৈ ঐখোয়না "লাইনীং লম্বী" হায়রিবনি। পূক্নিং ৱারক্তুনা অচুম্বা থৌরম তৌনবা অমনি। নাদ-য়েক্তনা পূন্সিগী তোলোই য়াইফনা পান্নবা থৌরম্বু লাইনীং লম্বী কৌগনি। অসিগুম্বা লাইনীং লম্বীসিবু মীতৈ ঐখোয়না পুথোকপা ঙমদে। মীরৈবাক্কী মীতনা পুথোল্লগা মীতৈ ঐখোয়না য়াম্না পাম্না লৌজৈ। লাইনীং লম্বী নত্তনদি তাইবঙ মীগী চৈরাক লৈতে। লাইনীং লম্বীগী মরোল অদুনা মীতৈলোল নৎত্রবদা মীতৈনা করি খঙলুগনি। খঙদ্রবদা চৈরাক অদুবু করিগী কিরুগনি, মরোলদু খঙদ্রবদা চৈরাক তোকই। পূক্নিং চুমদনা লাই নীংলুবদা মশা মাঙদুনা তোকচৈ অমসুং পূক্নিং চুমদনা থবক শুরুবনা লায়রবগা উনবা ফংজৈ। ●

(মখা চত্থজরকখিগনি)

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।